# আই এস এল : হায়দ্রবাদ এফ সীবু জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে






পনাজি, মার্চ০১ (এজেন্সী):
গোৱাদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জমসেদপুর এফ সীনা য়াম্না লাকচনা হায়দ্রবাদ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গোৱাদা লৈবা এঠলেটিক ষ্টদিয়ম বম্বোলিনদা লীগ অসিগী ৬৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদগী জমসেদপুর এফ সী অমসুং হায়দ্রবাদ এফ সী টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা বোল পায়বগী চাং হায়দ্রবাদ এফ সীনা হেল্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবদি জমসেদপুর এফ সীনা লৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী হৌগৎলকপা ৫ শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনদুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা হায়দ্রবাদ এফ সীনা থিংনবা হোৎনখি। অদুবু হায়দ্রবাদ এফ সীগী চিংলেনসনানা বোল অদু থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী মশানা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিনখি। মদুনা মরম ওইরগা জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। শোয়বদগী চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হায়দ্রবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু মেটচ অসিগী ২৮ শুবা মিনিটতা খঙহৌদনা জমসেদপুর এফ সীনা চথুরকখিবা কাউন্টর ষ্ট্রাইক অমদা টিম অসিগী পিটর হার্টলিনা মেটচ অসিগী অমদি জমসেদপুর এফ সীগী ওইনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। হায়দ্রবাদ এফ সীনা মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নবা হৌরকখি। অদুবু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবদি ফংখিদে। মেটছ অসিগী ৬৫ শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সীনা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী দেনিয়ল চিমা চুকরুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মখোয়গী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা হায়দ্রবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। হয়েং নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদা টিলক মৈদান ষ্টদিয়মদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমসুং মুম্বাই সীটি এফ সীগী মরক্তা মেটচ শান্নগনি।

# য়ুক্রেনদা লান চখবা হৌখ্রবা মতুং রসিয়াগী শান্নরোয় কয়া ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা বেন তৌবা হৌখ্রে

জুরিক, মার্চ০১ (এজেন্সি):
রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা ৱারী শান্নবদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রবা মতুং হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তগী রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মথক্তা লান লাউথোক্তুনা মখল মখা কয়াগী এটেক চখবা হৌখ্রবা মতুং রসিয়াগী কা হেনবা থৌওং অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লানগী থৌওং লেপ্পবা অপিল তৌনরক্লি।




অমরোমদা য়ুক্রেনগী শান্নরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা অমদি রসিয়াগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা উত্তুনা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট কয়াদা রসিয়া য়াওবদা অথিংবা থমজিনবা হৌরকপদগী রসিয়াগী শান্নরোয় কয়াগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্লি।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না থাকৱাংনা লৈরিবা ৱার্ল্ড কপতা রসিয়া শান্নবা য়াওহন্দনবা ফিরেপ লৌখ্রে অমদি ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কম্মিটিনসু রসিয়াবু স্পোর্টস ইভেন্ট অমত্তদা য়াওহন্দনবা মালেমগী লৈবাকশিংদা খঙহল্লক্লি। চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপতা রসিয়া য়াওহল্লরোই হায়না ফিফা অমসুং য়ু ঈ এফ এগী অপুনবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক য়ুরোপিয়ন টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়ারিবা রসিয়ান ক্লবশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপা য়াবগী অচৌবা ফিভম অমদা লাক্লি।

কটারদা চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাইং থা অসিদা রসিয়া শান্নগদবনি। অদুবু অথিংবা থমখিবা অমদি অতোপ্পা লৈবাক খরনা রসিয়াগা মেটচ শান্নরোয় হায়না ফোঙদোরকখিবনা মরম ওইরগা তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী নুপী টিমসু লাক্লিবা জুলাই থাদা ইংলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নগীদমক ক্বালিফাই ওইদুনা লৈরিবনি।

ফুটবোলখক্তা নত্তনা অতোপ্পা স্পোর্টস ইভেন্টশিং মরুওইনা টেন্নিস, বেদমিন্টন য়াওনা রসিয়াগী প্লেয়রশিংগা শান্নমিন্নরোয় হায়বা ৱাফম কয়া অমসু ফোঙদোক্নরক্লি। য়ুক্রেনগী টোপ টেন্নিস প্লেয়র ইলিনা ভিটোলিনানা ইহান হানবা ওইনা রসিয়াগী প্লেয়রশিংগা শান্নরোয় হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি মহাক অমদি রসিয়াগী অনাষ্টাসিয়াগী মোন্টেরিগী মেটচ শান্নগদবনি। অদুবু ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মহাক্না মেটচ শান্নদনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অমদি মহাক্না শান্নবদা প্রাইজ মনি ওইনা ফংলকখিবা শেনফমশিং মহাক্কী লৈবাক য়ুক্রেনগী মিলিটরি অমদি এইদগ্রুপশিংদা মতেং পাংনবগীদমক কখোল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা চেলসীগী মপু ওইরিবা রসিয়ন বিল্লিনিয়র রোমান অব্রামোভিকনা প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অসি মসিগী ট্রষ্টিশিংদা খুৎশিন্নরে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মহাক্না চেলসীগী মপু ওইনা লৈবদা মতিক চাদ্রে। য়ুক্রেন অমদি রসিয়াগী মরক্তা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মহাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লিঙাই লৈতে। মহাক্না তৌবা ঙম্বা হায়ববু ক্লব অসি মফম চানা ক্লব অসিগী ট্রষ্টিশিংদা শিন্নবা অসিখক্তনি হায়খি।

# অদিত্য থাক্রেবু অমুক হন্না এসোসিএসনগী চীফ ওইনা খনখ্রে

পুনে, মার্চ০১ (এজেন্সি):
মহারাষ্ট্রাগী মিনিষ্টরসু ওইরিবা হান্নগী মুম্বাই দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (এম দি এফ এ) গী প্রসিদেন্ট অদিত্য থাক্রেবু অমুক হন্না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা মতুং অদিত্য থাক্রেনা ফোঙদোকখিবদা, মুম্বাই দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা মহাকপু অমুক হন্না ইলেক্ট তৌরকখিবা অসিদা হায়নিঙাই লৈতনা নুংঙাইবা পোকই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিং, ভোটরশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মহাকপু নুংশিবিদুনা অমদি মঙোন্দা থাজবা থমদুনা মীয়ামগী থৌদা অমুক হন্না শিন্নরকখিবগীদমক খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবা চহী ৯ এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরকখিবা অসিদা মহাক্না ষ্টেট অসিদা গ্রাউন্দ অনী শেমগৎখি। মদুগী মনুংদা গ্রাউন্দ অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শেমগৎখিবনি। মহাক্না লৈরিবমখৈ ফুটবোল মশান্না অসি মপুঙ ফানা চাওখৎনবা হোৎনগনি অমদি লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপকী থাক্তা শান্নবা অদু মহাক্না অথুবা মতমদা য়েংবা পাল্লি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্নরিবা মশান্না অসিবু লৈবাক অসিগী ওইনসু অৱাংবা থাক্তা খুদিংমক্না পুখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# সৌরব চৌধুরিনা এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ০১ (এজেন্সি):
ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা চহী অসিগী অহানবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী সুটর সৌরব চৌধুরিনা টির ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী অহানবা মেদলগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখ্রে।

হান্নগী এসিয়ান গোল্ড মেদলিষ্ট অসিনা ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। অদুগা মহাক্কা লম্বা তৌনরিবা জর্মনিগী মাইকেল স্কাল্ডনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অনীশুবা মফম কনখিবগা লোয়ননা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদলনা রসিয়াগী অর্টেম চেরনোসোভনা লৌখি। অদুবু রসিয়াগী ওইনদি মেদল ফংলবসু হৌজিক হৌজিক য়ুক্রেন অমদি লৈবাক অসিগগী মরক্তা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী লৈবাক্কী ফিরালদি ওথোরিটিশিংনা চিংখৎখিদে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা সৌরব ওলিম্পিয়ন অমা ওইবতা নত্তনা য়ুথ ওলিম্পিককী গোল্ড মেদলিষ্ট অমসু ওইরি। মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী ওইনা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা পুন্না পোইন্ট ৫৮৪ ফংবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা নুপী সুটরশিংনা ইসা সিংহ, নিভেথা অমদি রুচিতা ভিনরকরনি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অনৌবা মেনেজর খন্নবা থবক চখরি

লন্দন, মার্চ০১ (এজেন্সি):
মালেমগী ওইনা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী দিরেক্টর জোন মোর্টোগনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অসিগী পর্মনেন্ট মেনেজর অমা লৈহন্নবগীদমক থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা ক্লব অসিগী পর্মনেন্ট মেনেজর অমা খন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কনবা ক্লব অমা ওইহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

ক্লব অসিনা হৌজিক হৌজিক পর্মনেন্ট ওইবা মেনেজর অমা খনবা ঙমদবগীদমক খুদোংচাদবা মায়োক্নরিঙৈ মরক অসিদা ওল্ড ট্রাফোর্দতা সুপরষ্টার ফোরৱার্দ প্লেয়র খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমুক হল্লকপদগী শেলগী ওইবা খুদোংচাদবসু মায়োক্নরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তগী হৌরগা ট্রোফি অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখ্রবা ক্লব অসিগী ইন্টরিম মেনেজর ওইনা মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদগী রাল্ফ রেংনিকনা মথৌ তৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্না ক্লব অসিগী মেনেজর ওইনা মথৌ তৌবা হৌখ্রবা মতুং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না ফগৎলে হায়না ক্লব অসিগী প্লেয়রশিং অমদি অতোপ্পা ক্লবকী কোচশিংনা ফোঙদোক্লখ্রবসু মহাকপু ক্লব অসিগী পর্মনেন্ট মেনেজর ওইনা থম্বগী ৱাফমদি লৈত্রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।০৩।২০২২ইং,য়ুমশকৈশা;
ফাইরেলগী থাশু।

**মেষ:** মরুপ মপাংগী মতেংদগী কান্নবা ফংজবা, য়েক্লববু ঙমজদুনা মীংচৎ অমদি থৌনা লৈনা থৌপাঙবা ঙমজবা, য়েৎনরম্বা লৈরসু কোকচদুনা মায় পাকপা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** মীৱা লৌদনা, য়েৎনদনা অমদি পংশিন্নবা শারগা য়াকা য়েংনা চৎলদি মায় পাক্কনি। অনিংবা অফবা থবক্তা শেল-থাদবা য়াগনি, ললোন ইতিক কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** ৱারসু ৱানা মীয়ামগী মতেং ফংবৈ নুংঙাইজবা নুমিৎনি। নচা-ননাই চাওখৎপা ঙসিসু লৈগনি। নাপল থাদোকত্রদি শকচু থোকপা ৱাৎকনি, মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** ঈংনা থৌ-পাংগদবা নুমিৎনি। অশাওবা, নাপল অমদি হেন্না অশা চাওবনা মাঙবতা থংগনি। অরুবা থবক্তি হান্নদৈ পাঙবা নত্তনা নৌনা পাঙবদি য়াম্না লুগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙওইনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**সিংহ:** নীংবা মপা চাগনি-অফবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। ঈকাই খুম্নবা ফংগনি, ঙাওবা-শকপা পকচগনি, য়েক্লবা ঙমগনি অমদি লৌশিং তানশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক য়াম্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** লন চঙগনি, অনৌবা অশা লাকপা অমদি অঙম্বনা চানবীবা নুমিৎনি। মীয়ামগা তোৎননা লৈরবা হেন্না নুংঙাইজবা ফংগনি। লৌশিং ফুদোকপদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**তুলা:** মতম মাঙবা অনম তানবনা মাঙজবা অমদি ফংবা য়াবা পনবা লৈরসু হকচাং নুংঙাইবা, মরুপ মপাং য়াম্বা নুমিৎনি। অরুবা থবক নাইতোম পাঙদবনা অশিংবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** থৌনা লৈবনা অফবা মফম কনবা ঙমজৈ, মীংচৎ হেনগৎপা অমদি পল্লম্বা মমল য়াম্বা লন ফংবা য়াবসু লৈ। অদুবু চরাংনবদি মাঙগনি, খুৎ চাওবসু য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** লাইবক ফগনি, ৱাখল থোক্কনি-ফরে খনবা থবক্তু মীনা ইন্সিনবা ঙাইদনা খজিক্তং খন্থরগা পাঙবনা হেন্না মাই পাক্কনি। নরলদা নক্লবনা মীতাবা লেপ্তে।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরুনু মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** মীয়াম্না থাগৎপিবা, নচা-ননাই অমদি অনিংবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মহু চাওবনা য়েংথিবা, পাউ ইনুং নুংঙাইরোই, অনম তানবনা মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** অনৌবা থবক্তা কান্নবা হেনবা, ৱাখল থোকপা, শেন্দোং চাওনা ফংবা লৈগনি। অদুবু শাওনিংবা, কোক শাবা অমদি ফিংবনা মাঙজবদি লৈ-তপথবনা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিন:** খুৎ চাওবনা মাঙবা, হন্থবা লোয়নবনা মতম মাঙবা, নীংবদুমক পাঙগনি খনবা য়াদবা নুমিৎনি। থিবা হুন্বা কনবৈ কান্নজবা অমদি মরুপ্না চানবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# সেরি এ : এটালান্টানা সেম্পদোরিয়াবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে






রোম, মার্চ০১ (এজেন্সী):
ইটলিদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা সেরি-এ লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এটালান্টানা য়াম্না লাকচনা মায়োক্নরিবা লম্বা সেম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইটলিগী এটলেটি অজুরি দি'ইটালিয়া ষ্টদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুবা এটালান্টাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা এটালান্টানা বোল পায়বগী চাং অসি চাদা ৫৬ ওইখি। অদুগা সেম্পদোরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৪৪ ওইখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবা শোটশিং কাউবগী চাংসু হেনখি। এটালান্টাগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা শোট ৯ কাউবা ঙমখি অদুবু সেম্পদোরিয়াগী ওইনদি শোট অমদগী হেন্না ফংখিদে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা বোল হেন্না পায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অসিগী ৬ শুবা মিনিটতা এটালান্টা টিমগী মারিও পসালিকনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মেটচ অসিগী ২৯ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী ট্যোন কুপমেনরনা মেটচ অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা এটালান্টানা মখা তানা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুবু মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা সেম্পদোরিয়াগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এটালান্টানা পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

# ক্লাইম্বিংদা মাইবম চীঙ্খোঙানবনা মেদল ২ লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচ এন এস):
মমাং থাগী ২২ দগী হৌরগা ২৬ ফাওবা জমসেদপুরদা পাঙথোকখিবা টাটা ষ্টিল স্পোর্ট ক্লাইম্বিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী থঙ্গাল কৈথেলদগী মাইবম চীঙ্খোঙানবনা মেদল অনী লৌরকপা ঙমখ্রে হায়না মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি লাইশ্রম প্রদিপকুমারনা খুয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, স্পিদ ক্লাইম্বিং রিলে রেসতা চীঙ্খোঙানবনা গোল্ড মেদল অদুগা স্পিদ ক্লইম্বিংদনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল অনী লৌদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অসিদা এসোসিএসন অসিনা হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি অমদি শান্নরোয় অসিনা মখা তানা শরুক য়াগদবা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাকপা অমদি লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।

# গ্রানাদা অমসুং কাদিজ দ্রো চৎখ্রে



মাদ্রিদ, মার্চ০১ (এজেন্সি):
স্পেনদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা লা লীগা কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গ্রানাদা অমসুং কাদিজ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ০-০ দা দ্রো চৎখ্রে।

স্পেনগী লোস কারমেনেস ষ্টদিয়মদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা কাদিজনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা কাদিজনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬৪ ওইখি। অদুগা গ্রানাদানা চাদা ৩৬ তগী হেন্না বোল পায়দুনা শান্নবা ঙমখিদে। কাদিজনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবদি ফংখিদে। অমরোমদা বোল পায়বগী চাং হন্থরবসু মায়োক্নরিবা লম্বা কাদিজনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং থিংনবা হোৎনবদা মেটচ অসিগী ৩৩ শুবা মিনিটতা গ্রানাদাগী দোমিঙোস দ্বারটেনা কা হেনবা ফাউল অমা তৌরুবগীদমক মহাকপু রেফ্রিনা রেদ কার্দ বুক তৌখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু মখা তানা শান্নহনখিদে। মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা কাদিজনা মী মশিং হেন্না শান্নরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। গ্রানাদাগী ওইনসু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু পাঞ্জল ০-০ দা দ্রো চৎখি।

# টিম অমত্তনা ঐখোয়বু লাকচবা ঙম্লোই : সুসিলা চনু




ন্যু দেল্লি, মার্চ০১ (এজেন্সি):
ইনন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসননা লাক্লিবা জুলাই থাদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স হোক্কী টুর্নামেন্টকী সেদ্যুল লাউথোকখ্রবা মতুং শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমবু অতোপ্পা টিম অমত্তনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙম্লোই অমদি ইন্দিয়া টিমনা মায়োক্নগদৌরিবা টিমশিং অসিবু অকিবা ফাওবসু লৈতে হায়না ইন্দিয়া ৱিমেন্স টিমগী হাল্ফ বেক সুসিলা চনুনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্নামখাতানা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক শান্নগদৌরিবা হোক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা করম্বা টিমগা হান্না লম্বা তৌনরগদগে হায়বগী মতাংদসু কা হেন্না খঞ্জিল্লুবা তৌদে। ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা হৌজিক খল্লিবা ৱাখল হায়ববু মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংহন্দবা অমদি ৱার্ল্ড কপকী টাইটল অসিবু লৌবা হায়বসিনি। এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ ২০২১/২২ অমদি ৱিমেন্স হোক্কী এসিয়া কপ ২০২২ দা চাইনাগা হান্না মায়োক য়াখ্রে। মরম অদুনা ইন্দিয়া টিমগী ওইবা এদভান্টেজ খরসু লৈরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মথং থাদা ইন্দিয়া টিম অমদি ইংলেন্দ টিমগা এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ ২০২১/২২ গী ওইনা লম্বা তৌনদৌরি। হৌখিবা কুমজা ২০২০ দসু ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনখ্রে। মরম অদুনা করম্বা টিমনা করম্বা মখলগী টেক্লিক অমদি লৌশিং শিজিন্নদুনা শান্নবগে হায়বা খঙখ্রে অমদি মখা তানা খঙনবা তাঞ্জা লৈরি। অমদি হৌখিবা চয়োল খরগী মমাংদা ভুবনেস্বরদা স্পেন টিমগসু মেটচ শান্নখ্রে। মরম অদুনা চিংনবা অমত্তা ফাওদে হায়খি।

চহী অসিগী জুলাই থাদগী হৌরগা শান্নগদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স হোক্কী ৱার্ল্ড কপতা ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচ ওইনা জুলাই থাগী ৩ দা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনগদৌরি। মদুগী মতুং থা অদুগী ৫ অমসুং ৭ তা মথংশিংনা চাইনা অমসুং ন্যু জিলেন্দগা পুল বিগী ওইনা লম্বা তৌনগনি। মেটচশিং অসি নেদরলেন্দসগী ৱাগেনর হোক্কী ষ্টদিয়মদা শান্নগনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 387

Winzer, Yannik - Richert, Nathan
Baden-ch op U1200 Badenweiler (2), 2009.06.04

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Nc3 h5 | 3.Bf4 Nf6 |
| 4.Nb5 c6 | 5.Nc7+ Kd7 | 6.Nxa8 Qa5+ |
| 7.c3 Na6 | 8.Nf3 Qb5 | 9.Ne5+ Ke6 |
| 10.b3 Qa5 | 11.Qc2 Kd6 | 12.Nxf7+ Kd7 |
| 13.Nxh8 Ng4 | 14.Qf5+ e6 | 15.Qf7+ Be7 |
| 16.b4 Qa3 | 17.Ng6... | |

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 386 Ans. :**

22. Qh6 Mating net gxh6 23. Nxh6# Dragonfly mate
22. Qh6 Qg5 23. Qxg5
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com